

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, MAY 04, 2018 PAGE 7




*মমাঙদা নুপীগী টেন্নিসকী লমদা য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোই অমা ওইদুনা লাকখিবী চৎলিবা থা অসিগী ২৭ তা ইন্দিয়াগী সিটি বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা টিসিএস ৱার্ল্ড ১০কেগী এম্বেসেদর ওইগদৌরিবী ফ্রান্স মচা মেরি পিরর্স*

*ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী মমাঙদা লৈরম্লা কোচকী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক অদুগী টেষ্ট, ৱান দে অমসুং টি–২০ ক্রিকেট টিমগী নৌনা কোচকী থৌদাং লৌগদৌরিবা জষ্টিন লেঙ্গর*

## ইংলেন্দগী লিভরপুলনা ইটালিগী রোমাবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৭–৬ তা হেন্দুনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌখ্রবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা*

*রোম, মে ০৩ঃ*

ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এএস রোমানা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগতা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীবা ঙম্লবসু অহানবা লেগতা লিভরপুলনা পাঞ্জল ৫–২ দা থোইখিবা মরম্না এগ্রিগেটতা লিভরপুলনা পাঞ্জল ৭–৬ তা হেনবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইটালিগী সিটি রোমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী লম্বাদা য়ুম্বু রোমানা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই টিম অনী অসিনা চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলগী লেগ অদু ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা শান্নখিবনি। হায়রিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা লিভরপুলনা রোমাবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী মমিং লৈরবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী পাঞ্জল চনবদা মকোক থোংবা ঙম্লিবা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালানা পাঞ্জল ২ চনখি। টিম অদুমক্কী শান্নরোই ফর্মিনোসু পাঞ্জল ২ চল্লবা মতুং অতোপ্পা লিভরপুলগী শান্নরোই মানেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ক্লব অদুগী অপুনবা স্কোর ৫ শুখি।

এপ্রিল ২৪ গী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগ অদুদা রোমাগী মায়কৈদগী জেকো অমদি পেরোটিনা পাঞ্জল অমমম চল্লগা মেটচ অদু লিভরপুলনা ৫–২ দা থোইখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা লেগতা এএস রোমানা য়ুম্বু ওইরগা লিভরপুলগা লম্বা তৌনরকপদা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা লিভরপুলগী মানেনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

মিনট ৫গী মনুংদা রোমানা পুশিল্লকপদা এটেক অমদা লিভরপুলগী দিফেন্দর মিলনরনা ঙাকথোকখিগদবা বোল অমা শোয়বদগী মশামক্কী গোলদা চঙখিবদগী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ২০ ফাদ্রবদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী চংখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ৱিসনাল দুমনা পাঞ্জল অমা ২৫শুবা মিনটতা চন্দুনা রোমাবু লিভরপুলনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লিভরপুলনা ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা রোমাগী ইদিন জেকোনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

পুংখায় অমরোমগী মতম শান্নবদা এএস রোমা অমসুং লিভরপুল মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা রোমাগী রাদজা নেনগোলাননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা রোমা টিম্না চেম্পিয়ন্স লীগ অদুগী ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল য়াৎপা হৌখি।

ইটালিগী টিম রোমানা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ কী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মখা তাবা পাঞ্জল চনবগী তঙাইফদবা লৈখি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌশিল্লকপদা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা রোমাগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু নেনগোলাননা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা লিভরপুলবু মখোয়না পাঞ্জল ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা মখা তানা পাঞ্জল ২ মথৌ তাখিবা অদু চনবা ঙমখিদবদগী ইংলেন্দগী লিভরপুলনা থা অসিগী ২৬ তা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদকা ফাইনেল শান্নরগনি।

## ন্যু জিলেন্দ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী প্রনিথ অমসুং সমির বর্মগা লোয়ননা নুপাগী দবলসতা অত্রি অমসুং রেদ্দি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ওকলেন্দ, মে ০৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই বি সাই প্রনিথ অমসুং সমির বর্মগা লোয়ননা নুপাগী দবলসকী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদ্দি ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী শান্নরোই দি লিয়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীখি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী এ মনোতাবু ২১–১১, ২১–১৬ দা থোইরম্বা শ্রী লঙ্কাগী এন করুনারত্নেগা লম্বা তৌনরগনি।



পনবা য়াবা অমদা নুপাগী বেদমিন্টনগী জুনিয়র ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেনগা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা চাইনাগী লিন দানগা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা গেম১–২ দা মায়থিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

লক্ষ্য সেনগা লিন দানগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা গেম মহাক্না ২১–১৫ দা থোইখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল কয়া অমদি ওলিম্পিক্সকী টাইটলসু ফংবা ঙমখ্রবা চাইনাগী লিন দাননা অনীশুবা গেম অদু ২১–১৫ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমদা নহা ওইরিবা লক্ষ্য সেনগী অশোনবা মায়কৈদা অহেনবা শাফু পীশিন্দুনা ২১–১২ দা মায় পাকপদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

লক্ষ্য সেনবু মায়থিবা পীরম্বা চাইনাগী লিন দাননা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সমির বর্মনি।

বর্মনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী শান্নরোই সি ৱাই লিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অজয় জয়ারাম সাউথ কোরিয়াগী কে ঐচ হিয়োগা লম্বা তৌনবদা গেম ১–২ দা মায়থিবা নংখি।

শান্নরোই অনীগী অনীশুবা রাউন্দগী লম্বা অদুগী অহানবা গে সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই কে ঐচ লিয়োনা ২১–১৫ দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী জয়ারামনা অকনবা প্রেসর পীরবা মতুং টাই ব্রেক্তা ২২–২০ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা জয়ারামগী মায়কৈদগী অশোনবা খরা লৈখিবদগী খুদোংচাবা লৌবা হেনখিবা সাউথ কোরিয়াগী কে ঐচ হিয়োনা ২১–৬ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা থাইলেন্দগী কে ৱাংচারোনগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱাংচারোননা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী শান্নরোই ৱাই ইগরাসিবু গেম ২–১ দা ২১–১৮, ১১–২১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অনী টোমী সুগিয়ার্টো অমসুং জে খৃষ্টিনি।

ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৫শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদ্দিনা ইন্দোনেসিয়াগী কুনা অনুবিথ অমদি ত্রিনকাজিবু ২১–৯, ২১–১২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দগী পেয়র ও গুও অমদি দি ভোংবু ২১–১২, ২১–১৫ দা থোইরম্বা ৪শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী ইসারা অমসুং ফুৱাং ফোপরগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগীপেয়র জকাম্পুদি অমসুং পি এস রাম ইন্দোনেসিয়াগী পেয়রগী মখূত্তা মায়থিহৌখি। লোয়ননা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী এস শর্ম্ম অমসুং পিএস রাম মালেসিয়াগী পেয়রগী মখূত্তা মায়থিবা নংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিদ্রে।

## হোক্কি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী শান্নরোই মাইমোম সঙ্গাই ইবেমহল চনুদা ধ্যান চান্দ এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেনগী রিকমেন্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০৩ঃ*



হোক্কি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (ঐচএফআই) না চহী অসিগী ধ্যান চান্দ এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেনগী রিকমেন্দ তৌবদা মতম শাংনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবী মণিপুর মচা মাইমোম সঙ্গাই ইবেমহলগী মমিং য়াওখ্রে।

ফেদরেসন অসিনা সঙ্গাই ইবেমহল চনুগা লোয়ননা নুপাগী মায়কৈদা ভারত ছেত্রিসু চপ মান্নবা মনাগীদমক রিকমেন্দ তৌখি।

মাইমোম সঙ্গাই ইবেমহল চনু ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র হোক্কি টিমদা য়াওদুনা কুমজা ১৯৯৮ তা অহানবা ওইনা জর্মনিগা শান্নবদা শরুক য়াখি।

চহী অদুমক্তদা নেদরলেন্দসকী সিটি উত্রেকতা পাঙথোকখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমদা শরুক য়াবা ঙমখি। মদুগী মতুং চহী অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখি।

কুমজা ২০০১ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি এমিয়েন্স এবেভিলদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচতা ইন্দিয়াগী টিমনা ৭শুবা পোজিসন তাখিবা অদুদা মাইমোম সঙ্গাই ইবেমহল চনুনা ‘য়ং প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট’ কী মনা ফংখি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অদু কুমজা ২০০২ দা ইংলেন্দগী সিটি মেঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা, কুমজা ২০০৩ দা হায়দরবাদতা পাঙথোকখিবা এফ্রো এসিয়ান গেমসতা অহানবা তাখিবা লোয়ননা থংনবা চহীদা ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ্তুনা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অদুনি।

মাইমোম সঙ্গাই ইবেমহল চনুগী হোক্কি কেরিয়রদা ইকোন কোনবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট অদু ২০০৬ তা স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা ১১শুবা পোজিসন তাখিবা কুমজা অদু ওইখি।

হোক্কি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আর্জুনা এৱার্দকীদমক্তা নুপাগী শান্নরোই মনপ্রিত সিংহ অমসুং ধরমবির সিংহ লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমগী গোলকিপর সভিতাবু রিকমেন্দ তৌখি।

হোক্কি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (হোক্কি ইন্দিয়া) গী সেক্রেটরী জেনরেল মোহমদ মুষ্টাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী ওইনা হোক্কি মশান্নগী চহীগী ওইনা পীবা মনাশিংদা খনগৎলকখিবা তোঙান–তোঙানবা কেটেগোরিগী শান্নরোইশিং অসি মতিক চারবনি।

লাইফ টাইম এচিভমেনকী দ্রোচার্য্য এৱার্দকীদমক রিকমেন্দ তৌখিবা নুপাগী ভারত ছেত্রি মমাঙদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর ওইরম্বদা নত্তনা কেপ্টেনগী থৌদাং লৌদুনা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখি।

২০১০ দিল্লি কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়ানা সিলভর মেডল ফংখিবা চহী অদুদা ভারত ছেত্রি ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমদা শরুক য়াখি। হৌজিক–হৌজিক মহাক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী গোলকিপরশিংগী তাকপী–তম্বীবগী থবক চথরি।

## ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস টিম ওষ্ট্রিয়াগী মখূত্তা মায়থিদুনা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

*হাল্মষ্টাদ, মে ০৩ঃ*



স্বিদেনগী সিটি হাল্মষ্টাদতা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী টিমগী গ্রুপ ‘দি’ গী অরোইবা মেটচতা ওষ্ট্রিয়াগী মখূত্তা মায়থিবা নংদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়না শান্নখিবা গ্রুপ ‘দি’ গী অরোইবা লীগ রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহৌবা সিঙ্গলস মেটচ অনী মায় পাক্কুনা ফজবা ঙমখি।

লৈবাক অনীগী লম্বা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সরাথ কমালনা ওষ্ট্রিয়াগী ষ্টেফান ফেজরলবু য়াম্না কোম্না গেম ৩–০ দা থোইখি।

কমালনা অহানবা গেম অদু ১১–৭ দা থোইরবা মতুং ওষ্ট্রিয়াগী ষ্টেফান ফেজরলনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী পোইন্ট ১১ দা লোইগদবা গেম অদু মান্নদুনা মখা তাবা পোইন্ট ৮ ফাওবা লম্বা তৌনরকপদা কমালনা ১৯–১৭ দা থোইরগা গেম ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

কমাল অমদি ফেজরলগী অহুমশুবা গেম অদুদা ফেজরলগী অশোনবা মায়কৈ খরগী খুদোংচাবা লৌদুনা কমালনা ১১–৮ দা থোইরগা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রিয়াবু মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ান অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী রোবার্ট গার্দোসকা লম্বা তৌনরকখি। অহানবা গেম অনী ইন্দিয়াগী সাথিয়াননা য়াম্না লাকচনা গার্দোসপু ১১–৪, ১১–৬ তা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি।

অদুবু ওষ্ট্রিয়াগী রোবার্ট গার্দোসনা অহুমশুবা গেম অদুদা ১১–৭ দা থোইদুনা গেম ১–২ দা ইন্দিয়াগী সাথিয়ানগী মখূত্তা শোখদুনা লৈখি। শান্নরোই অনীগী মরিশুবা গেম অদুদা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। পোইন্ট ২৬ লোইবা ফাওবদা শান্নরোই অনীমক পোইন্ট ১৩–১৩ দা লৈনখিবদগী কনানা গেম অদু থোইগদগে হায়বা ঙম্মদনা লৈরিঙৈ ইন্দিয়াগী সাথিয়াননা থংনবা পোইন্ট ২ লৌদুনা ১৫–১৩ দা মায় পাকপদগী গ্রুপ ‘দি’ গী অরোইবা লীগ মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না ওষ্ট্রিয়াবু মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

রাউন্দ অদুদা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হর্মিত দেসাইনা ওষ্ট্রিয়াগী দেনিয়েল হেভেসোনগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু ১১–৬ তা দেসাইনা থোইখি। অনীশুবা গেম দেনিয়েলনা ১১–৮ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম অদুসু দেনিয়েলনা ১১–৯ দা থোইরগা গেম ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী হর্মিত দেসাইনা মরিশুবা গেম অদু ১১–৭ দা থোইদুনা ৫শুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু লম্বা তৌনরকপদা ওষ্ট্রিয়াগী দেনিয়েল হেভেসোননা ১১–৬ তা থোইরগা মেটচ ১–২ দা লৈখি।

মরিশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী সরাথ কমালবু য়াম্না কোম্না ওষ্ট্রিয়াগী রোবার্ট গার্দোসনা ১১–২, ১১–৮, ১১–৯ দা থোইদুনা ৫শুবা দিসাইদিং মেটচকীদমক ইন্দিয়াগী সাথিয়ান অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ষ্টেফেন ফেজরলগী লম্বা ঙাইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম ফেজরলনা সাথিয়ানা ১৩–১১ দা থোইখি। অনীশুবা গেম ইন্দিয়াগী সাথিয়াননা ১১–৯ দা থোইদুনা মান্নবা মওংদা লৈরিঙৈ ফেজরলনা ৩শুবা গেম অদু ১১–৭ দা থোইরদুনা গেম ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

সাথিয়ান অমসুং ফেজরলগী মরিশুবা গেম অদু য়াম্না নক্নবা লম্বা থেংনখি। অমনা অমগী অশোয়বদা খুদোংচাবা লৌনদুনা লাক্নবা মতুং পোইন্ট ৯–৯ দা লৈনখি। ফেজরলনা থংনবা পোইন্ট ২ ফংদুনা ১১–৯ দা মায় পাকপদগী ইন্দিয়াগী টিম ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

## ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং ঐচ এস প্রনোই ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৩শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০৩ঃ*

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বিদব্লিয়ুএফ) গী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা মশান্না অসিগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং ঐচ এস প্রনোই ৩শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসনদা হাগৎপা ঙমখি।

ঙসি বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা থাদোরকপা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ২ হাইগৎলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই স্রিকান্থনা হৌখিবা থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই মমাঙদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ২ হাইগৎলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লিবনি।

বিদব্লিয়ুএফকী মায়কৈদগী থোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অহুমশুবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সিন্ধুবু মায়থিবা পীরম্বী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল থাক ২ হাইগৎলগা হৌজিক–হৌজিক ১০শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

## ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী দে এন্দ নাইট টেষ্টতা পিঙ্ক মচুগী বোল শিজিন্নবা ইন্দিয়ানা য়াখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০৩ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না চহী অসিগী দিসেম্বর ৬ তগী হৌরগা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট সেরিজ অদুগী অহানবা মেটচতা দে এন্দ নাইটকী ফোর্মেটতা পিঙ্ক মচুগী বোল শিজিন্নগনি হায়বা অদু য়াখিদ্রে।

বিসিসিআই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া) গী এদমিনিষ্ট্রেটর বিনোদ রাইনা ফোঙদোকখিবদা ওষ্ট্রেলিয়া টুর অদুদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট বোর্দনা পাল্লিবা দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেটচ অদুদা পিঙ্ক মচুগী বোল শিজিন্নবা অদুগী মায়োক্তা লৈখি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৫ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি এদলেদতা অহানবা ওইনা দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেটচ শান্নখি। মদুগী মতুং সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইংলেন্দগসু থংনবা চহীদা দে এন্দ নাইট শান্নবদা মেটচ ৩ মক মায় পাকপা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দদা মখোয়গা চুন্নবা মওংদা শান্নবা টেষ্ট মেটচ মায় পাক্নবা শেন্নকপা লাল্লোংশিং অদু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না য়াবা ঙল্লোই।

চহী অসিগী নবেম্বর ২১ দগী ২০১৯ গী জনুৱারী ১৯ ফাওবা টেষ্ট মেটচ ৪, ৱান দে মেটচ ৩ অমসুং টি–২০ মেটচ ৩ শান্নগদৌরিবা অদুনা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা মায় পাক্নবা হোৎনগদৌরি।